# কোনুমা মুস্লিম ভিল্লেজগী মীওই ২৬ তা ফি তুনবা মেছিন ১৪ অমসুং লোন্নবা মেছিন ১২ য়েন্থোকখ্রে



ককচিং, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম কেন্দ্রগী মনুংচনবা কোনুমা মুস্লিম ভিল্লেজগী খনগৎলবা বেনিফিসরি ২৬ তা ঙসি লোকেল এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা ফি তুনবা মেছিন ১৪ অমসুং লোন্নবা মেছিন ১২ য়েন্থোকখ্রে।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মাইনোরিটি এফিয়ার্স দিপার্টমেন্টনা মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটিশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা পীরকপা মতেংগী মনুং চন্না খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা হায়রিবা মেছিনশিং অসি য়েন্থোকপনি।

কোনুমা মুস্লিম ভিল্লেজদা লৈবা অব্দুল বারিককী য়ুমদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা ফি তুনবা অমসুং লোন্নবা মেছিনশিং অদু য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱাইখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর চোংথাম ইন্দ্রজিৎ সিংহনা থৌরম মপু অদুগা সোসিয়েল ৱার্করশিং কে মনিহার, টিঐচ লক্সমন, এম দি অব্দুল্লা অমসুং জনত অলিনা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইখি।

মনিদকোকী চিয়ারমেনসু ওইরিবা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন অমসুং লোকেল এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম্না হায়, মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটি–শিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবগীদমক মাইনোরিটি এফিয়ার্স দিপার্টমেন্টনা পাংবা য়াবা কয়া পাংলি। মদুগী মনুং চন্না কোনুমাদা লৈবা মুস্লিমশিংগী মরক্তগী মীওই ২৬ খনগৎলগা হায়রিবা মেছিনশিং অসি য়েন্থোকপনি। অসিদসু নত্তনা য়ুম শাবগী, হামেং লোইবগী অমদি ফিশা লোনশাগীদমক লংগী মতেংসু পাংনবা হোৎনগনি। গভর্ণমেন্টনা পীরক্লিবা মতেং অসি অরেম্বদা মাঙহনগুমসি, চপ চানা কান্নবা ফংনবা হোৎনসি। ফি তুনবা অমসুং লোন্নবা মেছিন ফংলবশিংনা হৈ শিংনা অনৌবা দিজাইন কয়া পুথোকপা ঙম্নবা অখঙ অহৈশিংগী মতেং লৌবা চুমগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ডা. রাধেশ্যামনা মখা তানা হায়, বেনিফিসরি খনবগী মতাংদা কনানা করম্বা ইমুংনা খরা শোত্খবগে হায়বা অসি এম এল এনা লোয়না খঙবা ঙমদবনিনা লৈকাই লৈকাইদা লৈরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা খনবিয়ু। ফংই ফংদে হায়দুনা য়েৎনবগী মহুত্তা মথংদা য়াওনবা হোৎনসি। মাইনোরিটিশিংগী মতেং পাংনবা লম্বী কয়া থিগনি। মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু।

## এয়র ইন্দিয়াগী সিটি বুক্কিং ওফিস হোংলগনি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ ইম্ফালগী এম জি এভেন্যুদা লৈবা এয়র ইন্দিয়াগী সিটি বুক্কিং ওফিস লাক্লিবা আগষ্ট ১ দগী ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা এস এস এগী মায়োক্লবা অমসুং এস বি আই রিজনেল ওফিসকা থংনবা মফমদা হোংলগনি হায়না ষ্টেসন মেনেজর এয়র ইন্দিয়া লিমিটেদ ইম্ফালনা থোকপা নোটিস অমনা খঙহল্লি।

## ঙা মচিঙ্গাক্কী মমল

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ লম্ফেল পাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ফিসরিজগী ফিস ফিদ মিলনা পুথোকপা ফিস ফিদ (ঙাগী মচিঙ্গাক)কী মমল কেজিদা লুপা ৫৫ দা লেপখ্রে। মসিগী মতাংদা গভর্ণরগী মিংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপ্যুটি সেক্রেটরী রামলৈ সিংলাইনা থা অসিগী ২৫ দা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

## মোরেদগী খোঙশানখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টর্স দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা হয়েং ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট লেভেল ভারতিয়ম কম্পিটিসন্দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শরুক য়ারুনবা ইষ্টর্ন সাইন স্কুল মোরেগী মহৈরোয়শিং ঙসি অয়ুক খোঙশানখ্রে।

মহৈরোয়শিং অদু স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চিয়ারমেন টিঐচ ইবুঙো অমদি সেক্রেটরী এল ব্রোজেন্না লমথাখি। ভারতিয়ম কম্পিটিসন অসিদা মোরেদগী মহৈরোয় ৫১ না শরুক য়াগনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ ওঝা পৌষ মৈতৈ (৯০)না লৈখিদবদা অঞ্জি কলচরেল একাদেমি কোংবা শৌদোংপুং অয়াংপল্লি রোদকী থৌবুরোই ওঝা অমদি মহৈরোয়শিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা ওঝা পৌষ মৈতৈনা একাদেমি অসি লিংখৎতুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মৈতৈ ঈশৈ অমদি অতৈ কয়া তাকপি তম্বীরম্বদা নত্তনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ওঝাসু ওইরম্মী হায়না একাদেমি অসিগী প্রসিদেন্ট নহাকপম ইবোবি সিংহনা ফোঙদোরক্লি। ওঝাগী য়াইবি থৱায়না মপুগী মফমদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক খুরুমজবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি। মৈতৈ ইনাৎকী লমদা লৈখিদ্রবা ওঝা পৌষ মৈতৈনা লৌরম্বা থৌদাং কয়া শীংথারদুনা মহাক সনা কোনুং সনা পালাগী অচৌবা থৌদাংসু লৌরম্মী হায়রি।

## জপানিজ এন্সেফলাইটিস লায়না শন্দোরক্তনবা অথুবদা থবক পায়খৎকদবনি ঃ এমসু

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ককচিং এরিয়াদা জপানিজ এন্সেফলাইটিসনা নাবা মীওই ৩–৪ হোস্পিটালদা লায়েং চত্থরি হায়বা পূম্নমক্কা খঙনরি লোয়ননা লায়না অসিনা শোকহল্লবা মফমশিংদা ফোগ্গিং তৌবা অদুগা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপা অমদি কাঞ্জল হিদাক লুপ্পা নত্তনা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি। মরম অদুনা লায়না অসি পাক শন্না শন্দোরক্তনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী হেলথ দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবশিংনা অথুবদা থবক পায়খৎকদবনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী লুনপাও লুফেংনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচিং চুম্নাংদা মীওই ৪, ৱাইরি অমদি তুরেল ৱাংমা দি এস এ রোদতা অমমম অদুগা পাঙনতাবীদা মীওই ১ জে ইনা নারে হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে। হায়রিবা মফমশিং অসিদা মৈখু কাপথোকপা অমদি কাঞ্জল হিদাক লুপথোকপা নত্তনা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎপা উদ্রি।

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা নোংমখক এৱার্নেস পীবা ৱাহৈ খরা পব্লিসিটি চৎখিবা অদুগা থা অহুমগী মনুংদা ককচিং এরিয়াগী য়ুল্লক্তা ওক লোইবা য়ারোই হায়বা নত্তনা অতৈ মখা তাবা থবক অমত্তা লৌখৎপগী মমি উদ্রি। লায়না অসিনা নাবা মীওই কয়া নাখৈ শেংনা খঙলবা নুমিৎ ১৫ নি রোম শুজিল্লবা ফাওবদা পাক শন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎতবা হায়বসি পেন্দে অমসুং নুংঙাইতে।

অমরোমদা হেলথ দিপার্টমেন্টনা স্কুল স্কুলশিংদা নৎত্রগা লৈকাই লৈকাইদা জে ইদগী অঙাংশিংবু ঙাকথোক্লবা হিদাক কাপথোকপা মথৌ তাই। অদুবু লৈবাকপোকপা অমসুং শগোলশেল নুমিত্তা হেলথ সেন্টরদা হিদাক কাপ্পগী খুদোংচাবা পীরি। হিদাক ৱাত্তনা লৈ, হিদাক অসি পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদে হায়বা ৱাফম অসিদি এমসুনা নোক্লিংবা ফাওই।

স্কুল স্কুলশিংদা চঙদুনা অঙাংশিং হিদাক কাপথোক্লবা খুদক্তা থৌরাং তৌগদবনি। করিগুম্বা লায়না অসি মখা তানা শন্দোরকপা তারবদি মদুগী দাইত্ব পূম্বা হেলথ দিপার্টমেন্টনা পুগদবনি। মীয়াম্নসু চেকশিন থৌরাং ওইনা য়ুমগী অকোয়বা লু নান্না থম্বিয়ু, কাঙ মচা পোক্তনবা ইরম নালা শেংদোকপিয়ু। কাঙ হিদাক শীজিন্নবিয়ু। লায়না অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## কাদানা চত্থিবা দ্রাইভতা খাগেমপল্লিগী দুকান অনীদগী য়াম্লবা য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী অখন্নবা টিম অমনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খাগেমপল্লি এরিয়াদা চত্থিবা দ্রাইভতা দুকান অনীদগী য়াম্লবা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মফম অদুদা লৈবা ৩ ফুদ জোনদগী কিংফিসর বিয়র লিক্লি ২৬, টুবোর কেনবিয়ার ৮৭, মেগদ্যুয়েল ফুল ৮, রোয়েল ষ্টেগ ফুল ৫, ও সি ব্লু ফুল ২, ব্লেন্দর প্রাইদ ফুল ৬, সেকমাই ব্রান্দ ফুল ১, লোকেল সেকমাই হাল্ফ বট্টল ৬৮ অমসুং ফুল ২৫ অদুগা টুটু চিক্কন সেন্টরদগী সেকমাইগী য়ুঙৌ লিটর ৫৫, ও সি ব্লু ফুল ৬ ফাগৎখি।

থ্রি ফুদ জোন অদুগী মপুনা মেথিউ পানমৈ (২৭) অপোকপা পিটর পানমৈ কৌই। অদুগা টুটু চিক্কন সেন্টরগী মপুনা এলেন ন্যুমাই (৩৫) অমসুং দব্লিউ নাউবা (৩৩) অপোকপা দব্লিউ ইনাও কৌই হায়রি। মখোয়দগী ফাগৎখিবা য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌ অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মাঙদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোংজোম মমাঙ লৈকাইদা ঙরাং খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী ও সিগী মীৎয়েং মখাদা টিম অমনা চত্থিবা দ্রাইভতা মীওই অমগী ভেন্দরদগী য়ুঙৌ লিটর ১৭ ফাগৎপা ঙমখ্রে। ভেন্দর অদু লৈকাই অদুমক্তদা লৈবা মাইবম অথোই সিংহ (৪১) অপোকপা লৈখিদ্রবা মাইপাক সিংহগীনি। ফারবা য়ুঙৌ অদু ও সি এক্সাইজ খোংজোমদা শিন্নখ্রে।

হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনসু ঙরাং হৈরোক পার্ট থ্রি কবো লৈকাই অমসুং অকোয়বদা চত্থিবা দ্রাইভতা মীওই ২ দগী য়ুঙৌ লিটর ৬০ রোম ফাগৎখ্রে। মীওইশিং অদুদি অবুজম য়াইমা সিংহ (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা থম্বৌ অমসুং লাইশ্রম ইনাওচাউবা সিংহ (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা সেল্লুংবা কৌই। মখোয় অনীমক অমসুং য়ুঙৌ অদুগা লোয়ননা থৌবাল এক্সাইজ ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে।


থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা ঙরাং অথোকপম অৱাং লৈকাইদা লৈবা য়ুম্নাম গিতাঞ্জলি দেবী (৫০) মপুরোইবা ৱাই কিশরজিৎ সিংহ য়ুঙৌ লিটর ৮ গা কোন্ননা অথোকপম কৈথেলদা লৈবা মহাক্কী হোটেলদগী ফারে অমসুং ও সি এক্সাইজ থৌবালদা শিন্নখ্রে।

মখা তানা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী এ এস আই নন্দবির সিংহনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা অৱাং লৈকাইদগী মোইরাংথেম রোনিল সিংহ (৩১) অপোকপা ইবোমচা সিংহ য়ুঙৌ লিটর ২৫ লোয়ননা ফাগৎখ্রে। মহাক্কী য়ু য়োনফম অদুদগী য়ু থল্লম্বা মীওই ৬ সু লৌখৎলকখি হায়রি।

## দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ লিশিং ৮০ রোম ফংলে

মোরে, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবা অদুৱাইদা ন্যু চম্ফাই তাবা লম্বীদা ৪৩ অসাম রাইফলস, মোরে পুলিস অমদি কম্মান্দোগী অপূনবা টিম অমনা মথৌ তৌরিঙৈদা মীওই অমনা লংথোক্লম্বা বেগ অমা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ লিশিং ৮০ রোম য়াওরম্লে হায়না পুলিসকী ৱা পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, ম্যান্মারগী কেনবো বাইক অমদা বেগ অমা য়াল্লগা য়াম্না চিংননিঙাই ওইবা মওংদা মীওই অমা লাকখি। অসাম রাইফলস, পুলিস অমসুং কম্মান্দোগী অপূনবা টিম অদুনা বাইক অদু খাম্নবা হায়বদা গারী অমসুং মহাক্না পুরকপা বেগ লংথোক্লম্লগা চীংলোমদা চেনশিনখি হায়রি। খুদক্তা টিম অদুনা বেগ অদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা হায়রিবা গুলিশিং অসি য়াওরম্বনি। মীওই অদুনা তোংলকপা কেনবো বাইক অদুসু ফাগৎপগা লোয়ননা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক মোরে পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।







## উচেক ফারম্বা মীওইশিংগী মথক্তা কেস রেজিষ্টার তৌরগনিঃ দব্লিউ বি সি সি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সঙ্গাইয়ুম্ফম করাচিনা কোনবা এরিয়াদা উচেক লাং থাক্লম্বা অমদি উচেক ফারম্বা মীওইশিংগী মথক্তা ৱাইল্দ লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২ অমসুং আই পি সিগী সেক্সন ৩০৭কী মখাদা কেস রেজিষ্টার তৌরগনি হায়না ৱাইল্দ লাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিউ বি সি সি) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী রোমেস নিংথৌজমনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদি সঙ্গাইয়ুম্ফম করাচিগী এরিয়াদা লৈবা মীওইশিংনা লম্নক্কী শা উচেক হাৎপা অমদি ফাবদা পূক্লিং থৌগৎলম্বা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মতুংদা অসিগুম্বা অসি তৌদনবসু খঙহল্লি। উচেক ফারল্লিবা মীওইশিং অদুদি সঙ্গাইয়ুম্ফম করাচিদগী এম দি সঞ্জোয় অপোকপা কোয়াই অমসুং এম দি অদুরমান অপোকপা উথুম কৌই।

চেরোল অমদা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ২৭ হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সঙ্গাইয়ুম্ফম করাচিনা কোনবা এরিয়াদা উচেক লাং থাক্লম্বা মীওইশিংদগী কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা লাং অমদি উচেক কয়া ফংখি। অদুগা মখোয়না লাং থাক্লল্লিবা মফম অদুদা উচেক মতু কয়াসু তারমখি। লাইবক থিবা অমনা কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ফাগৎলকপা লাং অমদি উচেকশিং অদু লৈকাইগী মীওই খরা থোরক্তুনা মুনখি লোয়ননা খঙহৌদনা ইরাং শাগৎতুনা কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী য়াওনা মেম্বরশিংদা অথিবা ৱাহৈ শীজিন্নবদা নত্তনা খূৎ থারকখি।

থৌদোক অদু খাঙবোক মোইরাং পল্লি পুলিস আউট পোষ্টকী হেক মনাক্তা থোকখিবনি। আউট পোষ্ট অমগী মনাক্তা উচেক লাং থাকহন্দুনা উচেক ফাহনবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি। লমলক্কী শা উচেক কন্নবা হোৎনবদা পূম্নমক্কী কোওপরেসন মথৌ তারে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লিলোং এ সিগী লম্বী–থোং শেমজিনবিয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ লিলোং কেন্দ্রগী মনুং চনবা লম্বী থোং কয়াগী ফিভম অসুক্কী মতিক ফৎত্রে অদুনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিদুনা শেমজিনবিয়ু হায়না ঙরাং লিলোং কৈথেলদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

হাওরৈবী অৱাং লৈকাই এথলেটিক কলচরেল য়ুথ ওর্গনাইজেসন অমসুং ঙাঙৌ রোদ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা মপূং ওইনা থৌদাং লৌদুনা চত্থিবা ৱাকৎ মীফম অদুনা নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা অচুম্বা খোঙথাং গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্তবদি হেন্না অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা লেপল্লখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ঈশিং ইচাও অমগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈদা ইচাও অমগী অৱাবা নংহনবিগনু, কায়খিবা পনশিং শেমজিনবিয়ু, ঙাঙৌ লম্বী মরী লৈনবশিংনা শেমজিনবিয়ু হায়না ফোঙদোক্লখি।

তুরেল লৌনম্বালশিং শেমজিন–বিয়ু, ২০১৭ জুলাই ২ দা ইচাওনা লিলোং অৱাং লৈকাইদা কায়খিবা তুরেল লৌনম্বাল অথুবা মতমদা শেমজিনবিয়ু হায়বনচিংবা ইবা কার্দ কয়া শীজিন্নখি। ২০১৭কী ইচাও অদুদা য়ুম কৈ, মাল–চাং, লৌ ইংখোল মাঙহনখ্রবশিংগী পীথোকফম থোকপা তেঙবাং অথুবা মতমদা পীথোকপিয়ু হায়নসু এক্স কাউন্সিল্লর তাজ খান্না ফোঙদোকখি।

## লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরগী অনৌবা বোর্দ ওফ দাইরেক্টরশিং হাপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরগী লাইওনেষ্টিক চহী ২০১৯–২০গী ওইনা অনৌবা বোর্দ ওফ দাইরেক্টরশিং হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হাপখ্রে।

ইম্ফালগী হোটেল নিরমলাদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিগী মমাঙগী দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লাইওন এম গোজেন্দ্রোনা ইন্সটোলেসন ওফিসার ওইনা অনৌবা বোর্দ ওফ দাইরেক্টরশিংবু ৱাশক লৌখি। মদুগী তুংদা মমাঙগী প্রসিদেন্ট লাইওন নাওরেম উমাকান্তনা অনৌবা প্রসিদেন্ট ডা. কোন্সম সুরজিৎ সিংহদা চার্জ শিন্নখি।

অনৌবা বোর্দ ওফ দাইরেক্টর অসিগী সেক্রেটরীনা রাজিভ হৱাইবম অমসুং ট্রেজররনা মুতুম জোগেননি হায়রি। নৌনা প্রসিদেন্টগী থৌ পুখ্রবা ডা. কোন্সম সুরজিৎনা লাইওন্স মেম্বর পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ক্লব অসিগী মখা তানা চত্থগদবা হ্যুমেনটরিয়ান সার্ভিসতা শরুক য়াবিনবসু হায়জখি।

মমাঙগী সেক্রেটরী লাইওন ইরোম উমাকান্তনা ২০১৮–১৯ গী রিপোর্ট পুথোক্তুনা তৌখিবা থবকশিং ময়েক শেংনা খঙহনখি। রিপোর্ট অদুদা ব্লদ দোনেসন কেম্প, ফ্রি আই চেকঅপ, ট্রি প্লান্টেসন, পিছ পোষ্টর কেম্পেইন্নচিংবা পাঙথোকখি হায়নসু পল্লি।

## মল্টিলেঙ্গোইল কলচরেল, দান্স, ম্যুজিক ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরি

থৌবাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ একাদেমি ওফ পার্ফোমিং আর্টস (এ পি এ) থৌবালনা শীন্দুনা খোঙনেম্বা হায়না মিংথোনবা অহানবা ওল মণিপুর মল্টিলেঙ্গোইল কলচরেল, দান্স, ম্যুজিক, ভোকেল অমসুং ইন্স্ট্রুমেন্টেল কম্পিটিসন কম ফেষ্টিভেল লাক্লিবা আগষ্ট ১০ দগী ১২ ফাওবা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরি।

একাদেমি অসিগী এদভাইজর ডা. এ কে প্রিয়োকুমারনা ঙসি পাউমীশিংদা হায়, নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা কম্পিটিসন কম ফেষ্টিভেল অসি কলচর মেক মেট পিপল হায়বা পান্দমদা লমদম অসিগী ইথনিক গ্রুপ ময়াম পূন্নবগী খুদোংচাবা অমা ফংহন্নবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইন্টরনেস্নেল এটমেচর থিয়েটর এসোসিয়েসন ফ্রান্স অমসুং ইন্টরনেস্নেল দান্স কাউন্সিল (সি আই বি–য়ুনেস্কো) পেরিসতা এফিলিয়েট তৌরিবা একাদেমি অসিনা শীনগদৌরিবা কম্পিটিসন কম ফেষ্টিভেল অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু। মরী লৈনবা চে–চাং য়াওনা ফোর্ম আগষ্ট ৬ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবিয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়, ফেষ্টিভেল অসিদা মনা ফংবশিং খনগৎলগা উরিষ্যাগী কতক্তা পাঙথোক্কদবা নেস্নেল ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারুনবগী খুদোংচাবা পীগনি। ফেষ্টিভেল অসি মপূং ফানবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু লোয়ননা বন্দ,ব্লোকেদনচিংবা তৌবিদনবসু আপিল তৌরি।

পাউ মীশিংগা উনবা অদুদা একাদেমি অসিগী ফাউন্দর এ কে ধনঞ্জোয়, কনভেনর রমানন্দ মৈতৈ অমসুং অতৈ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

## পাঞ্জি তম্বা

Scientific Horoscope Centre, Babupara না Scientific ওইবা মওংদা থা ৩ গী পাঞ্জি তম্বগী কোর্স অনীশুবা বেটচ লোইখিদুনা অহুম (৩) শুবা বেটচ তাং ৫।৮।২০১৯ দগী হৌজরগনি। পাঞ্জিগী মহৈ অসিবু হৈনিংবা মীওইশিংনা মখাদা পীরিবা Contact No. অসিদা নৎত্রগা ওফিস্তা লাক্তুনা উনবিয়ু। Class 6.30 a.m. to 8.30 a.m.

Budhi Leishangthem
# 8119046868

SL/B/15 days

## ম্যান্মার ওথোরিটিনা ঙমখৈদা ঙাইহাক অথিংবা থম্লুরে



মোরে, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ ম্যান্মারগী শিন্মী অমদা ঙরাং অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা অদুৱাইদা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা খুপাক্লা থাখি হায়বা ৱাহৌদগী মোরে গেট নম্বর ১ দগী গেট ২ গী মরক্তা লৈবা ঙমখৈগী খোঙ লম্বীশিং ম্যান্মার ওথোরিটিনা ঙাইহাক অথিংবা থম্লুরে।

গেট নম্বর ১ অমসুং ২গী মরক্তা ফাওদোক ফাউজিন য়াবা খোঙ লম্বীশিং অদুদি টামিল টেম্পল গনেস গেট, সনরাইজ ক্লব গ্রাউন্দ মপা অসিনচিংবনি। হায়রিবা খোঙ লম্বী অসি হান্নদগী মী চখোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা লৈতনা চৎনবনি। অদুবু ঙরাংগী থৌদোক অদুদগী ঙাইহাক অথিংবা থমখিবা অদুনা লল্লোন ইতিক তৌরিবশিংদা খুদোংচাদবা খরদি থেংনখ্রে।

ম্যান্মারগী মীওই অমনদি থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবা লুদবা অমনি ফোঙদোরকখি। তুংদা ম্যান্মার আর্মি অমসুং পুলিস ওফিসিয়েল কয়া নম্ফালোং কৈথেল তাবা ম্যান্মারগী থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদা লাক্তুনা ইন্দিয়াগী মোরেদা লৈবা মরী লৈনবা মীওইশিংগা ৱারী শানরবা মতুং ৱারোইশিন পুরক্তুনা অথিংবা থম্লম্বা অদু হন্দোকখি হায়রি।

## নম্বোল এরিয়াগী মহৈ লোয়শঙশিংদা মীৎয়েং চঙলগনিঃ দপুভো

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ নম্বোল এরিয়াদা লৈবা গভর্ণমেন্ট অমসুং লন্নাই মহৈ লোয়শঙশিং হেন্না ফগৎহন্নবা মীৎয়েংদা দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (দপুভো) নম্বোলনা মীৎয়েং চঙলগনি হায়রি।

দপুভোগী সেক্রেটরী টিঐচ লমজিংবনা ফোঙদোরকখিবদি গভর্ণমেন্টকী স্কুল, কলেজ ইন্সটিট্যুসন, লোকেল বোদিশিং, এগ্রিকলচর, হোস্পিটাল, পি ঐচ ই দি, এস দি ও ওফিস, অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা মীৎয়েং চঙদুনা হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগনি লোয়ননা প্রাইভেট স্কুল, ইন্সটিট্যুসন অমদি সার্ভিস প্রোভাইদরশিংদসু মীৎয়েং চঙগনি।

আধার ইনরোল তৌবদা শেল তিংলোই হায়রগা শেল লৌরিবা অমদি পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমগী মখাদা ফংফম থোকপশিং ফংদবা অসিনচিংবা কয়াসু য়েংশিল্লগনি। চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা নম্বোল মায়কৈগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন, সি এস ওশিং অমদি মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু লোয়ননা গভর্ণমেন্ট অমসুং লন্নাই লোয়শঙশিংদা থবক তৌরিবশিংনা মশা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ মশক খঙনা তৌবিয়ু হায়নসু পাউজেল্লি।

## এন এল এ এন এলগী মশা লোয়শঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (এস এন এস)ঃ নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ (এন এল এ এন এল)গী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মনা ময়ায় ফমদুনা নিংথেম পুখ্রিমপাল মখা লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা নুপী খুন্নাই চাউখৎ কাঙলূপ নিংথেম পুখ্রি মপাল অপূনবা মৈরা পায়বীশিংগা পূন্না মীফম পাঙথোক্লবা তুংদা লূপ অসিগী মশা লোয়শঙ অমা হাংদোকখ্রে।

লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক লাকপদা পূন্না শরুক য়ামিন্নবা অমদি লৈকাই লৈকাইদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়োনবা, চাবশিং পূন্না থিংমিন্নবা হায়নসু য়ানখ্রে। নৌনা হাংদোকখিবা মশা লোয়শঙ অসিগী থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি সোরোখাইবম সচি প্রসিদেন্ট, নোংমাইথেম কেতুকি সেক্রেটরী অমসুং কাঙবম সরিকা পব্লিসিটি সেক্রেটরীনি হায়না এন এল এ এন এলগী সেক্রেটরী এন রাধামনিনা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী ৱাষি ফল (৩১–০৭–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খৎনবা, শোক্কনবা, মীচং শোম্বা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিনবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** তোখাই তাবা মতম্নি। খৎননিংগনি। শাওদবা ফগনি। মীচং শোম্বা, অরানবা তাবা মতম্নি। হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** খুদোংচাবা, থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬,৭ ফগনি।

**কর্কটঃ** খৎননিংবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা, ৱারৌবা মতম্নি। খৎনদনবা হোৎনজগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** চরক চহিং নাইবা, মত খেন্নবা, শেল চৎপা মতম্নি। শাওনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** খৎনবা, শোক্কনবা মতম্নি। অপনবা থেংনবা মতম্নি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** চয়েৎনবা, চরক চহিং নাইবা, শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অচৌবনদি চানবিরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ ফত্তে।

**কুম্ভঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ ফগনি।

**মীনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা কান্নবা, অচৌবশিংনা চানবিবা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।